HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



রাহুল গান্ধীগী চুড়াচান্দপুর খোঙচৎপু বিষ্ণুপুর পুলিসনা শিখাং খাংদুনা থৎখিবগী মায়োক্তা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা কন্দেম তৌখিবা

অশেম্বা ৱারীনা অচুম্বা মালহনবদা এক্সপর্ট
☛ লামায় ২

লানওং চুমদবা লানফমশিংনা চাইরে মণিপুর
লামায় ৪

হৌজিক্কী ঈরাংসি কনানা থোকহনবনো
☛ লামায় ৫

খোঙ খুৎ পুনশিল্লগা লোইশিন্নবা হোৎনবদুরা পাল্লিবসি : কনভিনর
☛ লামায় ৬

কুকি মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্নবদা লৈখিদ্রবা খুঞ্জা ৱাইখোম নিলকমল এলিয়জ বোইচাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পুরক্তুনা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা



Vol. 47, Issue No. 97 | ইরাই, ইঙেনগী ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, June 30, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লান খান্বা লাকপদা খংপ্রেক খংবা য়াওনখ্রে

# মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মরম পীশিন্দুনা বিষ্ণুপুরদা থৎলবসু হেলিকোপ্টরনা চুড়াচান্দপুর চৎখ্রে



কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা শৌগৎতুনা অমসুং য়াওশিন্দুনা য়েলহৌ ফুরুপ অমগী মথক্তা চথরক্লিবা 'জিনোসাইদ' নি হায়দুনা লৌবা য়ারবা লান অসিবু খামদুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভমদা হঞ্জিলহনবদা মতেং পাংনবগীদমক ঙসি অয়ুক এ আই সী সীগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবদা খংপ্রেক খংবা য়াওনখিবদগী মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ ওইগদবা চুড়াচান্দপুর ফাওবগী লম্বীদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মশীং য়াল্লবা পুলিস পর্সনেলশিং শীজিন্নদুনা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী মমাঙদা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে।

অদুম ওইনমক ইহান হান্না ইম্ফালদা থুংলবগা চুড়াচান্দপুর তম্না চৎতুনা মফম অদুগী সী এস ওশিং/ত্রাইবেল লিদরশিং অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা শৈদাংফম লৌরক্লিবশিংগা উন্নগনি হায়বগী চপ য়ুংবা ৱাখলনা লমজিংদুনা লাকখিবা রাহুল গান্ধীনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট তম্না তন্না হল্লক্লগা খুদক্তা গুৱাহাটিদগী হেলিকোপ্টর অমা ৱায়রগা চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা মহাক্কী অনীংবা অপান্বশিং পাঙথোক্লমখ্রে।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মাঙজৌননা থৌরাং তৌখিবা বুলেট প্রুফ কার অমা য়াওনা মহাক্কীদমক প্রোভাইদ তৌরকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুরগীদমক টিদ্দিম লম্বী পরিংদা লাকখিবনি।

মহাক্না চৎপগী লম্বীদা নম্বোল পি এসকী মনুং চনবা উৎলৌগী মফম অমদা মীওই খরনা মহাক্কী খোঙচৎকী মায়োক্তা লেপ্পম্বা থেংনখি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা পাউ পীরবা মতুংদা মখোয়গী মায়কৈদগী লম্বী ক্লিয়র তৌরক্লগা চুড়াচান্দপুর তম্না চৎখিবনি। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী মমাঙমক্তদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পিনা লুচিংবা য়াল্লবা পুলিস পর্সনেলশিংনা বেরিকেদশিং খাজিন্দুনা ফৈজিনবগা লোয়ননা বুলেট প্রুফ গাড়ী ফাওবা মনীং হঞ্জিন্দুনা খামজিল্লগা রাহুল গান্ধী অমসুং এম পি সী সীগী লুচিংবশিং, ফ্রন্টেলগী লিদরশিং য়াওনা কোংগ্রেসকী থৌমী কয়াগী কনভোয়বু থৎতুনা চৎহনখিদবনি।

থৌওং অদুদা রাহুল গান্ধীগা লোয়নখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র, সী এল পিগী দেপ্যুটি লিদর কে রঞ্জিৎ, এম পি সী সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন য়াওনা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা খম থেংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

রাহুল গান্ধীগী লম্বী থৎলমখিবা বিষ্ণুপুরগী এস পি মশামক্তা ও ইবোবী য়াওনা কোংগ্রেস লিদরশিংনা ফোঙদোকখিবদা রাহুল গান্ধীগী মণিপুর খোঙচৎ অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী ক্লিয়ারেন্স ফংলবা মতুংদা লাকপনি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা চার্টদ্ ফ্লাইট অমদা থুংলবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মহাক্কীদমক গাড়ী অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং প্রোভাইদ তৌরক্তুনা পীরকখিবনি। লোয়ননা লুচিংবা অসি মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী হৌরকফম ওইখিবা চুড়াচান্দপুরদা ইহান হান্না চৎকনি হায়বসিসু ওফিসল ওইনা খঙনরিবা ঙাক্তনি। অদুগা চুড়াচান্দপুর তম্না লাকপগী লম্বীদা পুলিসনা লৈজবা পান্থে পুথোক্তুনা অথিংবা পীরম্বসি চুমদে। টিদ্দিম লম্বীদা চৎপদা প্রোব্লেম লৈগনি হায়রগদি এয়রপোর্টতগী লম্বী অসিদা লাক্ত্রিঙৈদা মাঙজৌননা হায়বা য়াদ্রা হায়বা ৱাহং এস পিদা থমখি।

অদুম ওইনমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা শিখাং খাংদুনা ভি ভি আই পিশিংদি বাই রোদতা অমুক্তা চত্তে অমসুং কাংভাই এরিয়াদা খুদোংচাদবা থৌদোক মায়োক্নগনি হায়বগী ইনফোর্মেসনদগী অথিংবা থম্বনি। অদুবু মথক থোংবা ওফিসলশিংগা পাউ ফাওনখিগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎ থিংবগা লোয়ননা হেন্না থেংথহন্নবা হোৎনখি।

নাকল অনীনা মূক্নরকপদা পুং ১ রোম হৌখি। অদুবু থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মশীং য়াল্লবা নুপী য়াওনা মীওইশিং থোমজিল্লক্তুনা রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎতা পুলিসনা অথিংবা পীবা য়ারোই, অৱা অনা মায়োক্নরিবা মীয়ামগা উন্নবা লাকপনি অমসুং হৌজিক থোক্লিবা লান অসি লেপহন্দুনা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগীদমক লাকপনি হায়খি।

নুপীশিং অদুগী মনুংদগী অমনদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা লুচিংবা পুলিস পর্সনেলশিংনা শিরগে'মখৈ হোৎনদুনা চৎহন্দনবা হোৎনরকপদুবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা নখোয়না হাৎকে হায়রবসু ঐহাক ওইনা হাৎলো হায়দুনা কোয়লাস মথক্তা কুম্থরগা লৈখি।

রাহুল গান্ধীবু পুলিসনা অথিংবা পীরকপদা য়ানীংদবা মীওইশিংগী মশীং য়ামখৎলকপদগী পুলিস পর্সনেলশিংনা তানখায়দুনা লাকশিন্নবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখি। মসিদা রাহুল গান্ধীদা প্রোভাইদ তৌবা সিক্যুরিটি পর্সনেল অমা ফাওবা শোকখি অদুগা মীওই খরসু অশোক অপন য়াওখি।

অদুম ওইনমক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী খ্বাইদগী অকন্নবা মওংদা অথিংবা পীখ্রবসু রাহুল গান্ধী মফম অদু থাদোক্তুনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট তান্না হল্লক্লবা মতুংদা খুদক্তা হেলিকোপ্টর অমা ৱায়রগা চুড়াচান্দপুরদা চৎখি। ঙসিগী মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা এ আই সী সীগী ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙমসু শরুক য়াখি।

লোয়ননা ঙসি রাহুল গান্ধীনা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা চুড়াচান্দপুর তম্না চৎনবা হোৎনবদা পুলিসনা অখাং কনবা অমা য়াওনা থৌওইনা থিংলগা চৎহনখিদবা থৌওং অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পীরকপা পাউতাক মতুংইন্ননি হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।





মোইরাং কোঞ্জেংবম রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা রাহুল গান্ধীবু ওক্নবা ঙাইবা



পুলিসনা বিষ্ণুপুরদা রাহুল গান্ধীদা অথিংবা থমখিবগী মায়োক্তা হাৎপীরো হায়দুনা চোংশিনখিবী মৈরা পায়বী লুচিংবী অমা

### চুড়াচান্দপুরগী মীয়াম্না 'রাহুল গান্ধী জিন্দাবাদ' হায়দুনা ওকখ্রে

কাঙলূপ মশেলগী ঈরাংগী হৌরকফম ওইরিবা চুড়াচান্দপুরদা থুংলদুনা মফম অসিগী হিয়াংতম লমকাদা লৈবা ৱাই পি এ জি ঐচ ক্যুগী হোলদা রাহুল গান্ধীনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবা লাকখিবদা মফম অসিদা তিল্লম্বা মীয়াম্না 'রাহুল গান্ধী জিন্দাবাদ' হায়না লাউদুনা তরাম্না ওকখি অমসুং ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আইটিএলএফ) কী মায়কৈদগী মঙোন্দা মেমোরেন্দম অমসু খুৎশিন্নখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৩



বিষ্ণুপুরগী এস পিনা লুচিংবা মশীং য়াল্লবা পর্সনেলশিংনা রাহুল গান্ধীবু থৎপা

## নিত্যাইপাৎ চুথেক্কী 'থম্বাল শঙলেন' তম্না থোমজিল্লকখিবা মীয়াম্বু পুলিসনা অহিং চূপ্পা টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়খি

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরদুনা নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা কৌত্রুক, সেঞ্জম চিরাং, হরাওথেল অমদি খুলশিং অসিগা তাইননা লৈরিবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংগগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখিবদা খুঞ্জা ২ শিরগা ৩ শোকখিবা অমসুং মণিপুরগী লান খাম্নবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা থুংলখিবা রাহুল গান্ধীগী চুড়াচান্দপুর খোঙচৎপু টিদ্দিম লম্বীদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা নমদুনা থিংলগা চৎহনখিদবা থৌওংগী মায়োক্তা খোইশাওনরবা মীয়াম্না ঙসি নুমিদাংৱাইরম য়াচংলকপদগী হৌরদুনা মায়কৈ কয়াদগী লাকখিবা মীয়াম্না নিত্যাইপাৎ চুথেক্কী থম্বাল শঙলেন তম্না থোমজিল্লকখি। ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বী য়াওনা টিদ্দিম লম্বী অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৭



রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎতা অথিংবা পীখিবগীদমক নরেন্দ্র মোদি, অমিট শাহ অমসুং এন বিরেনগী মীতম মৈ থাখিবা

### মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থমগদবনি : ফাদর জে পি

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) :** কেরলাগী কোচিদা লৈবা কেরলা কেঠলিক বিশোপস কাউন্সিল (কে সী বি সী) গী ৱাঙাঙলোইসু ওইরিবা ফাদর জেকোব পালকএপিল্লিনা করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রবদি সেন্টরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট মুথৎলগা প্রসিদেন্টস রুল থমগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা মণিপুরগী থৌদোকশিং অসি প্রি-প্লান এজেন্দা অমগী মখাদা চথরকপনি হায়খি।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) :** হয়েং জুন ৩০দা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মতমশিংদি- ইম্ফাল ইষ্ট অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৭, চুড়াচান্দপুর অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫, ককচীং অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ (সেরৌ য়াওদনা), বিষ্ণুপুর অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ২, থৌবাল অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮নি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Rahul Gandhigi Churachandpur khongchatta athingba piduna thouoina helicopterda chathankhiba Manipur leingakki thoung leibak macha tabani haina lougadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Congress luchingba Rahul Gandhigi khongchatna Manipurgi numit 57ni suraklaba kanglup mashelgi lan khambada achouba mateng soidana oigadra?

Yes 60% No 40%

## কৌত্রুক ১সুং সেঞ্জম চিরাংগী লানফম : নোংমৈ কাপ্নবদা খুঞ্জা ২ শিরে, ৩ শোক্লে, কুকি মিলিটেন্ট খরসু শিরে

# হৌজিক থোক্লিবা লানদা আর্মিনা ইহান হান্না হেলিকোপ্টরশিং শীজিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩দগী মণিপুরদা মীশি মীনা পীক থন্না য়াওবা তমথীরবা সিভিল ৱারগা পাঙ্খক ওইরক্লবা থৌদোকশিং থোরকপদগী সেন্টরনা মশীং য়াল্লবা লান্মীশিং থাজিল্লক্তুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্কনি থাজবা মফমশিংদা মতিক চানা দিপ্লোই তৌরে হায়না মণিপুর লৈঙাক্না ঙাইহাক লৈতনা ফোঙদোক্লগসু ঙসি কৌত্রুক অমসুং সেঞ্জম চিরাং য়াওনা খুল অনীসিগা নক্নবা মফমশিংদা থোকখিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগা অকনবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা খুল ঙাক্নকখিবা খুঞ্জা ২ শিরগা ৩ শোকখ্রে। খুৎ থোক্নখিবা নাকল অনীবু লাকশিন্নবনি হায়বা থৌরাংদা লান্মীনা হেলিকোপ্টরশিং শীজিন্নদুনা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক লাকশিন্নবা হোৎনখ্রে।

ঙসিগী অকনবা লানফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকা তাইননা লৈরিবা কৌত্রুক অমদি সেঞ্জম চিরাংগী মনীং থংবা শরুক য়াওনা খুল অনীসিগা নক্নুনা লৈবা মফম খরদা থোকখিবনি।



থৌদোক থোক্লিবা মফমশিংদা লৈবা খুল ঙাকপা খুঞ্জাশিং তম্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তারকপদগী নোংমৈ কাপশিনবা হৌরকখিবনি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকপদগী কৌত্রুক, সেঞ্জম চিরাং খক্তা নত্তনা হরাওথেল অমসুং বেথেল কুকি খুল ফাওবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### লৌ খোইরুবা খুঞ্জাশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা সী আর পি এফকী মমাঙ মক্তদা নোংমৈনা কাপ্লকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস) :** ঙরাং ফুবালা মনীংগী হায় কেনেল মনাক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৌবুক্তা লাকপা খুঞ্জাশিং তম্না নোংমৈ কাপথরকখ্রবা মতুং ঙসিসু লৌ খোইবা চঙলুবা লৌমীশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা সী আর পি এফকী মমাঙ মক্তদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী হিংননবা চেনখৎনরকখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### আর্মিনা ফূরকপদা নুপী ৯ শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস) :** লৈমখোং চীংমাঙ, কান্টো শাবল, খুরখুল অমসুং সেঞ্জম চিরাংনচিংবগী মীয়াম্না লৌবুক্তা কুমদুনা লৌ শুরকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংবু নোংমৈ কাপহল্লোই অমসুং অকি অখং থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীখ্রগা থবক্তা ওন্থোরক্তে হায়দুনা ঙসি নুপীশিংনা লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্প তম্না থোমজিল্লবদা আর্মিগগী মরক্তা মূক্নরক্তুনা মখোয়না নুপীশিংবু তানখায়নবা হোৎনরক্তুনা ইনবদা তুশিনবা য়াওনা নুপী ৯ শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

আর্মিগী মায়কৈদগী নুপীশিংদা নোংমৈ মখোক্না শুবা য়াওনা ফূ-চৈরকপসু য়াওখি হায়রি। শোক্লবশিং কান্টো শাবল পি ঐচ সীদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি।

### নাগালেন্দগী 'ওটোনোমস কাউন্সিল' দা ইষ্টর্ন সুমি হোহোনা মখোয়দি য়াওজরোই হায়রকখ্রে

**কোহিমা, জুন ২৯ (এজেন্সী) :** ইষ্টর্ন নাগালেন্দগী ত্রাইবশিং-চাং, খিয়ামন্যুঙান, কোনয়াক, ফোম, সাংতম, তিখির অমসুং য়িমখিয়ুংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন (ঈ এন পি ও) না চহী কয়াগী মমাঙদগী নাগালেন্দগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ৬ পূনশিন্দুনা ওটোনোমস টেরিটরি নৎত্রগা কাউন্সিল অমা শেম্নবা তৌরকখিবা দিমান্দবু হন্দক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরকখ্রবসু ঈ এন পি ওনা কোনশিল্লিবা দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তা য়াওরিবা ইষ্টর্ন সুমি হোহোনদি মখোয়দি য়াওজরোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে। ইরম ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ইমাগী কিদনি অনীমক য়ারক্তবদগী গুৱাহাটিগী এপ্পোলো হোস্পিটালদা লায়েংলিঙৈদা যূম মৈ থাদোকপীখ্রে

**হকথেংনবা পাউদম**
*চুড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী লেপ্তুনা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লানগী চৈথেং খম থেংনা মায়োক্নদুনা থৱায়গীদমক লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগা মথং-মথং ৱারী শারকপগী মখা তারকপদা লান অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চুড়াচান্দপুরগী তুইবোং মীতৈ লৈকায়দগী ময়ূম-মকৈ তুম্না মৈ থাদোকপীখ্রবা মীওই অমনা হায়, মশাগী চহী ৬০ শুজিল্লক্লবা অপোকপী ইমাগী কিদনি অনীমক য়ারক্তবদগী লায়েংনবগীদমক গুৱাহাটিগী রুপ নগরগী খৃষ্টিয়ান বষ্টিদা লৈবা এপ্পোলো হোস্পিটালদা মার্চ ১২, ২০২৩দা এদমিট তৌখি। হান্নদি ইমাগী কিদনি অনীমক য়াদ্রে হায়বা খঙখিদে। চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খোঙ অনীমক নুংঙাইরক্তবদগী করিগীনো হায়দুনা মথং-মথং টেষ্ট তৌদুনা য়েংলকপদা কিদনি অনীমক য়াদনা লৈরমখিবনি।

মরম অসিনা ইমাগী থৱায়দবু কনবা ঙমহৌরবদি হায়দুনা শেল লৈবা-লৈতবা থিদনা গুৱাহাটিগী এপ্পোলো হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা লায়েংলকখিবনি। অদুবু তাঞ্জাসিদা খঙহৌদনা মে ৩গী নুংথিলদগী অকনবা লান হৌরকপদা অহানবা খুৎথাদা য়াওখিবা চুড়াচান্দপুরগী মীতৈ লৈকায়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তুইবোং মীতৈ লৈকায়দা লৈবা মশাগী ময়ূম তুম্নবা মৈ থাদোকপীখি।

হিংনবগী লানফমদা চুড়াচান্দপুর ন্যু বজারদা মোবাইল হেন্দ সেট য়োনবা দুকান অমা ফমজরকখিবনি। অদুবু ঈরাং অসিগী মনুং চন্না দুকান্দা য়োননবা থম্বা মোবাইল ফোন য়াওনা দুকানগী পোৎলম পূম্নমকসু লোইনা হুরানবীখ্রে হায়রি।

খ্বাইদগী লাইবক থীখিবদি হোস্পিটালদা শিবা-চঙবগী লংদাইদা লৈদুনা ইমাগী থৱায়দবু কল্লবদি হায়দুনা মহাক্কী কিদনিগী ওপরেসন চথখিবা নুমিৎ মক্তদা যূম মৈ থাবগী থৌদোক্তু থোকখিবনি। ওপরেসনদুসু হোস্পিটালগী ডাক্তরশিংনা য়াম্না থৱায় য়াওনা তৌবীখ্রবসু অশোয়বা, অহোবশিং খঙহৌদনা থোরকপদগী অনীরক/অহুম্লক হন্না পাঙথোকখি। ইমাগী ওপরেসনদা হঞ্জিন হঞ্জিন পাঙথোরকপদগী মহাক্কী থৱায় কলহৌবা ঙম্লরোইদ্রা হায়দুনা থৱায় য়াম্না ৱারিঙৈদা যূম মৈ থাদোকখ্রে হায়বগী পাউসু লাকখি। দুকান্দগী পোৎ চৈ পূম্নমক হুরান্দুনা পুখ্রে হায়নসু তল্লকখি। মীৎকুপ অদু পুন্সিদা খ্বাইদগী ৱাবা মীৎকুপ অমা ওইখি।

যূমদা লৈহৌবা মৌ অমা অমসুং ইচননুপী অমা অদুগা চহী অমা মখায় খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমনা খরা শাফগদবনি হায়দুনা জৌ-ভেঙ খুলদা চেনখি। অদুগা অহিংদুমা এরোবিক সেন্টর অমদা মনা-মনিল নাইদনা লেকখি। লোয়ননা অহিংদুদা মখোয়না খনখিবা ৱাখলদি 'হয়েং নোংঙানবদগীদি ঐখোয় অমুক হন্না উবা ফংলরোই' হায়বসিনি হায়না তল্লকখি হায়রি।

অদুবু অসাম রাইফলসনা চুড়াচান্দপুরগী মিনি সেক্রেটেরিএটতা হোন্দোরক্লগা মথং-মথং লাকখিবনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং মোইরাং কুমামদা হাংবা রিলিফ কেম্পদা লৈরকখিবনি হায়রি।

ইমাগী অনা লায়েংলিঙৈদা যূম অমসুং দুকান মাঙখ্রে হায়বা খঙবীবশিং য়াওনা লূপ খরনা ফাওবা শেল, চেঙ-চাক, হৱাই-চেঙৱাই তেংবাঙবীরকখি। অসামদগী মীতৈশিংনা 'ঈ' পীবিরকপসু য়াওই হায়রি।

## মণিপুরগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতগী 'এনি কুকি ত্রাইব' হায়বা ৱাহৈশিং লৌথোক্নবা কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌখি

**ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমগী অপূনবা লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা 'ফেদরেসন ওফ হাওমি' গী প্রসিদেন্টগা ঙরাং লূপ অসিগী ওফিসতা হকথেংননা উন্নদুনা লৌখিবা মহাক্কী ইন্টরভিয়ুদা মহাক্না 'বি জে পিগী মতমদনা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা মণিপুর গেজেট এক্সত্রাওর্দিনরি অমা সেপ্টেম্বর ২৩, ২০২২দা ফোঙদুনা রিকগনাইজ সেদ্যুল্ড ত্রাইবতা চনবশিং (এনি মিজো/এনি কুকি) য়াওনা খুদিংমক ইন্দিজিনস পিপলনি হায়না লাউথোকখিবনি' হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা মরী লৈনবা লোয়শঙদগী ঙসি ফংখিবা দোক্যুমেন্ট অমদা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস) প্রদিপ কুমার ঝানা ন্যু দেল্লীগী মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফেয়রসকী সেক্রেটরিদা ইরম্বা ওফিসল লেটর অমা থেংনখি।

চেরোল অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী টি এ এন্দ হিলসকী স্পেসল সেক্রেটরি অসিনা ফেব্রুৱারী ৮, ২০২৩দা ইরম্বনি। চেরোল অসিগী মতুংইন্না মণিপুরগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবশিংগী লিষ্টতগী 'এনি কুকি ত্রাইব' হায়বা ৱাহৈশিং অসি ওক্টোবর ১৯, ২০১৮দা ফমখিবা মতমদুগী মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না লৌথোকপদা অয়াবা পীরমখি। লোয়ননা কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ অসিমক জন্যুৱারী ২, ২০২৩দা ফমখিবা অতোপ্পা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম অমনসু অমুক হন্না অয়াবা পীবগা লোয়ননা ...মখা লামায় ৩ কলম ১